**TDC (CBCS) Odd Semester Exam., 2021
held in March, 2022**

# MANIPURI

**( 5th Semester )**

Course No. : MANDSE–501T

**( Autobiography and Biography )**

*Full Marks* : 70
*Pass Marks* : 28

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## SECTION—A

অপাম্বা খল্লগা **২০থক্কী** পাউখুম পীয়ু : ১×২০=২০

১। মশানা-মশাগী পুন্সি ৱারী ইজবা মওং অদুবু ইংগ্রাজি লোন্দা করি হায়না খঙনবগে ?

২। কনাগুম্বা অমনা, মানা খোইদাজবা মীওই অমগী পুন্সি ৱারীবু ইরবদি মদুবু ইংগ্রাজিদা করি হায়না কৌনবগে ?

৩। মমুৎ তানা ইরবা অফাওবা মীওই অমগী পুন্সি ৱারী নৈনবদা, ইতিহাসকী মচাকশিং ফংবা ঙমগদ্রা ?

৪। অইবা অমনা কনাগুম্বা মীওই অমগী পুন্সি ৱারী ইরিঙৈদা থেংনবা খুদোংচাদবা মরম অমতং ইরম্মু।

৫। পুন্সি ৱারী ইবা হায়বসিদা খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দম নত্রগা মচাক অমা ওইরিবা পোৎসি করিনো ?

৬। মণিপুরী সাহিত্যগী ময়াই-চনবা মতমদা লৈরম্বা পুন্সি ৱারীগী মচাক য়াওবা লাইরিক অমগী মমিং ইরম্মু।

৭। 'লোকমান্য তিলক' হায়বসি মণিপুরী লোন্দা ইবা মাঙজিল থাবা পুন্সি ৱারীনি হায়না লৌনৈ, লাইরিক অসি কনানা ইবনো ?

৮। 'মণিপুরগী ইতিহাসতা ইরাবত সিংহ' (১৯৭২) হায়বা পুন্সি ৱারী অসি কনানা ইবনো ?

৯। ডা. নোংমাইথেম তোম্বীনা ইবা 'মৈত্রম বীর সিংহগী পুন্সি ৱারী' হায়বসিদা পল্লিবা 'মৈত্রম বীর' অসি কনানো হায়বদু তাক্লম্মু।

১০। বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মাগী 'সনা চহি অহুম' হায়বা পুন্সি ৱারীদা য়াওরিবা সনা চহি অহুম অসি কনানো হায়বদু মশক তাক্লম্মু।

১১। মীনকেতনগী ‘পুন্সিগী শক্তম’ করম্বা মখলগী লাইরিক্নো ?

১২। ‘পুন্সিগী শক্তম’ (লারোল অনী) হায়বসিদা ৱারেং কয়াখক য়াওই ?

১৩। মীনকেতন করম্বা লাইনীংদা ঙাওজবা মীওইনো ?

১৪। মীনকেতনগী মত মতুং-ইন্না বৃনাম চৎপা হায়রিবসি করি মফমদা চৎপবুনো ?

১৫। মীনকেতননা লৈরম্বা সমাজ অসি করম্বা লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবা সমাজনো ?

১৬। ‘অপোকপা’ (লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী পুন্সি ৱারী) হায়বসি কনানা ইবনো ?

১৭। ‘অপোকপা’ লাইরিক অসি করম্বা মখলগী খূৎইনো ?

১৮। লাইনীংহন ফুলোনা পোকখিবা খুন অদুগী মমিং করি কৌই ?

১৯। লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো খুঃ কুম কয়দা পোকই ?

২০। লাইনীংহনগী অঙাং ওইরিঁৈগী মমিং করি কৌই ?

( Turn Over )

২১। 'চূড়াচান্দ মহারাজগী ইমুং' হায়বসি কনানা ইবনো ?

২২। চূড়াচান্দ মহারাজ মশাগী চহী কয়া শুবদা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি ?

২৩। মহাকপু কনানা মণিপুরগী নিংথৌ ওইনবা খনখিবগে ?

২৪। চূড়াচান্দ মহারাজ করম্বা মফমদা মহৈ-মশিং তম্লকই ?

২৫। চূড়াচান্দ মহারাজ করম্বা মফমদা অরোইবা য়াহিপ তানখি ?

## SECTION—B

অপাম্বা **৫(মঙা)গী** পাউখুম পীয়ু : ২×৫=১০

২৬। ইংগ্রাজি লোন্দা 'ওতোবাইওগ্রাফি' হায়বা ৱাহৈসি কনানা খুঃ কুম কয়াদা শীজিন্নবা হৌখি হায়না লৌনবগে ?

২৭। ১৯শুবা চহীচা নত্রগা ২০শুবা চহীচা অদুৱাইদা বাংলা সাহিত্যদা থোকলকখিবা পুন্সি ৱারীগী লাইরিক অনীখক্কী মমিং ইরম্মু।

২৮। খাইদেম প্রমোদিনীনা ইবা পুন্সি ৱারীগী মচাক য়াওবা লাইরিক অনীখক্কী মমিং ইরম্মু।

২৯। ২০শুবা চহী-চাদা মণিপুরী সাহিত্যদা থোক্লকখিবা মরৈবাক নীংবা মীওইশিংগী মরমদা থাদুনা ইরম্বা, লাইরিক অনীখক্কী মমিং ইরম্মু।

৩০। মীনকেতনসিংহগী অপোকপা-অপোকপী অনীগী মমিং ইরম্মু।

৩১। মীনকেতন করম্বা মফমদা পোকখি অমসুং খুঃ কুম কয়াদনো?

৩২। লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোগী অপোকপা-অপোকপী অনীগী মমিং ইরম্মু।

৩৩। লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোনা ইরম্বা লাইরিক অনীখক্কী মমিং ইরম্মু।

৩৪। চূড়াচান্দ মহারাজগী অপোকপা-অপোকপী অনীগী মমিং ইরম্মু।

৩৫। অইবী বিনোদিনীগা -চূড়াচান্দ মহারাজগা করি মরি থোক্লে?

## SECTION—C

৮×৫=৪০

অপাম্বা **৫(মঙা)**গী পাউখুম পীয়ু :

৩৬। বাইওগ্রাফি হায়বসি অখঙ-অহৈশিংগী মত-মতুংইন্না মখল কয়াথোক্লা খায়দোকপা য়াই? মখলশিং অদুগী মরমদা মচাতানা ইরম্মু।

*( Turn Over )*

৩৭। ভারতকী সাহিত্যদা থোক্লকখিবা পুন্সি ৱারীগী মরমদা ইবা লাইরিকশিংগী খোঙচৎ অমা ইরম্মু।

৩৮। মণিপুরী সাহিত্যদা করম্বা চহীচাদগী পুন্সি ৱারীগী খোঙচৎ হৌরক্কে হায়না লৌনবগে? খোঙচৎতুগী মরমদা মচাতানা ৱারেং অমা ইরম্মু।

৩৯। ওটোবাইওগ্রাফি অমসুং বাইওগ্রাফি হায়বা অনীসিগী খূৎইদা মান্নবা অমসুং খেন্নবা উৎতুনা ৱারেং অমা ইরম্মু।

৪০। 'ঐখোয় মতমগী সমাজ' (অহানবা মতাং) হায়বসিদা মীনকেতননা য়েক্লল্লিবা মতমদুগী সমাজগী মশক্তু মচাতানা ইরম্মু।

৪১। 'সমাজগী শিক্ষা দীক্ষা' (অহুম শুবা) হায়বসিদা শ্রীমীনকেতননা উৎলল্লিবা মতমদুগী মহৈ-মশিং তম্বগী মওং অদু মচাতানা ইরম্মু।

৪২। নাওরিয়া ফুলোনা হৌদোক্লম্বা লাইনীং অদু করিনো? মহাক্না মীতৈ খুন্নাইগীদমক্তা পাংথোক্লম্বা থৌদাংশিং অদু মচাতানা ইরম্মু।

৪৩। নাওরিয়া ফুলোনা আমিনগাঁওদা, চূড়াচান্দ মহারাজগা উন্নখিবা মতাংগী ৱারী অদু মরিক চুন্না ইরম্মু।

৪১। 'চূড়াচান্দ মহারাজগী ইমুং' হায়বা লাইরিক অসিগী মতুংইন্না চূড়াচান্দ মহারাজ অসি মণিপুরগী সংস্কৃতি য়োকখৎপা পামজবা নিংথৌ অমনি হায়বসি উৎতুনা মরিক ইরম্মু।

৪২। 'চূড়াচান্দ মহারাজগী ইমুং' হায়বা লাইরিক অসিদা অইবীগী ইবগী টেক্নিক অমসুং ষ্টাইল (technique and style)গী ফজবদু শীংথাদুনা ইরম্মু।

★★★

2021/TDC/CBCS/ODD/
MANDSE-501T/079